# ক্রিমিয়াগী লিদরশিংনা পুটিনদা তেংবাংবিনবা হায়জখ্রে



*ক্রেম্লিন, মার্চ ১ঃ* যুক্রেনগী ওটোনোমস রিজন অমা ওইনা লৈরিবা ক্রিমিয়াগী মোস্কোবু য়াবা লুচিংবা অমনা রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনদা শান্তি পুরক্নবা খোঙথাংদা মতেং পাংবিনবা হায়জখ্রে।

ক্রেম্লিনগী লিখুন অমনা হায়বদা, সর্গি এক্সিওনোবনা হায়জরক্লিবা অসি থৌশাদবা তৌরোই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

যুক্রেনগী মিসাইল বেজ অমা লৌশিন্নবা হোৎনবদা, ঙরাং অহিং চুপ্পা ক্রিমিয়াগী কোনুংদা খুৎ থোক্নবগী পাউসু লৈরি। যুক্রেনগী ইন্টরিম প্রাইম মিনিষ্টর অর্সেননি য়াৎসেনযুকনা রসিয়াবু কায়হৌবগী থৌওং চৌখে হায়নসু মরাল শীখি।

কেবিনেটকী অহানবা মীটিংদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। অনৌবা দিফেন্স মিনিষ্টর ইহোর টেনযুকনা রুসিয়াবু হন্দক্তা যুক্রেনদা অহেনবা লান্মী লিশিং তরুক থাজিল্লকই হায়নসু মরাল শীখি।

যু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানসু রুসিয়ানশিং ওইগনি হায়না থাজবা মশক খঙদবা লান্মীশিংনা লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা শন্দোরকপদা রুসিয়াদা লান্মীগী ওইবা খুৎ চংলবদি অচৌবা অশোইবা অমা ওইগনি হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।

এক্সিনোবনা হায়বগী মতুংইন্না রুসিয়াগী ব্লেক সি ফ্লিটকী লান্মীশিংনা ক্রিমিয়াগী মরুওইবা বিল্ডিংশিং ঙাক শেল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফ্লিট অসিগী ক্রিমিয়াদা লৈবা বেজ অসিবু চৎনবা য়াহল্লিবা এগ্রিমেন্ট অদুগী মখাদা রুসিয়ানশিংনা করিগুম্বা ফ্লিট অসিগী লান্মীশিংনা বেজগী ৱাংমদা চখোক চৎশিন তৌবা তারবদি যুক্রেনগী ওঠোরিটিশিংদা হান্না খঙহনগদবনি হায়বা ৱাফম অমসু লৈরিবনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা য়ুরোপিয়ান কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট জোসে মানুয়েল বারোসোনা হায়বদা, যুক্রেনগী সোভরেন্টি ইকাই খুম্নদ্রে হায়বসি তাবদা নুংঙাইতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক ক্রিমিয়াগী কোনুংদা লৈবা রিজনেল পার্লিয়ামেন্টকী মপান্দা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা লান্মীশিংনা পোজিসন লৌদুনা লৈরি। রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা কিয়েবতগী থারকপা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা ক্রিমিয়াগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রি লৌশিন্নবা হোৎনরকপদা অশোক অপন খরা য়াওখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু লৌশিন্নবা হোৎনরকপা অদুদি সেল্ফ দিফেন্স য়ুনিটশিংনা ঙাকথোকখ্রে হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

যুক্রেনগী পাউগী এজেন্সি অমগী ৱারোল মতুংইন্নদি রুসিয়াগী লান্মীশিং চংশিল্লক্তুনা যুক্রেনগী ক্রিমিয়াদা লৈবা য়েবপাটোরিয়া মনাক্তা লৈবা এন্টি এয়ার ক্রাফট মীসাইল য়ুনিট অমা কন্ট্রোল তৌশিন্নবা হোৎনখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মমিং পন্দবা যুক্রেনগী মিলিটরি সোর্স অমগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সি অসিনা হায়বদা কম্মান্দ পোইন্ট অদুদা রুসিয়াগী লান্মী ১৫ রোমনা চংশিন্নবা হোৎনখি। অদুবু মনুংদা পার্সোনেলশিংনা থোঙ চেৎনা লোন্দুনা ঙাক শেনখি হায়না ফোঙদোকখি।

যুক্রেননা রসিয়াবু মরল শীরদুনা হায়বদদি ক্রিমিয়া রিজন মনুং চনবা সেবাষ্টোপোল এয়ারপোর্টতা নেভিগী ফোর্সশিং থাজিন্দুনা লান তাশিল্লকই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু রুসিয়াগী ব্লেক সি ফ্লিটনদি মসিগী সার্ভিসমেনশিংনা এয়ারপোর্ট ব্লোক তৌরি হায়বা ৱাফম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মমাং চয়োলদা যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিসপু মফমদগী ইন্থোকখ্রবা মতুংদগী লৈবাক অনিগী মরী ফজনা শোকচিনখ্রবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ভেনিজুয়েলাদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাকৎ ঈহৌ চখরি



*কারাকাস, মার্চ ১ঃ* ভেনিজুয়েলাদা কারাকাসকী অকোইবদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাকৎ ইহৌ চংশিনবশিংনা বেরিকেদশিং থমদুনা অকনবা খোঙজং চংশিল্লি। অদুবু মফম খরদদি মীয়াম্না নোংমগী হৌনশা কায়দনা চৎনরি।

মরুওইনা মহৈরোইশিংনা লুচিংদুনা চখরক্লিবা ৱাকৎ ঈহৌ অসি লৈবাক্কী কোনুং অসিখক্তদা নত্তনা ভেলেন্সিয়া, মেরিদা অমদি সান কৃষ্টোবালদসু চখরি।

ভেনিজুয়েলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনসু ঙরাং ইরাই নুমিৎতা অনৌবা মীটিং অমা পাঙথোকশি হায়না তকশিল্লকখ্রে।

ভেনিজুয়েলাগী মফম পুম্নমক্তা অসিগুম্বা মীফমশিং অসি পাঙথোকপা পাম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখ্রে। অদুবু মমাংদা ফাজিনখিবা ৱাকৎলোইশিং থাদোক্তুগদি প্রসিদেন্ট অসিগা ৱারী শান্নরোই হায়না ওপোজিসননা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মরুওইনা মিদল ক্লাস মীয়ামশিংনা শরুক য়াবা মহৈরোইশিংনা লুচিংবা ৱাকৎ ঈহৌ অসিদা মীওই ১৮ শিখ্রবনি। মমাং চহিদসু লৈবাক্কী চরাংনবা ফিভমনা ভেনিজুয়েলাদা ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ৫৬ য়ৌখিবদগী মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংনদবনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না শাথিবা ক্রাইমশিং চখরকখিবনি। অৱাবা চৈথেং কয়া ফংদবা ইষ্ট কারাকাসকী মফম অমদা হ্যুমেন রাইটস দেমোন্সত্রেসন অমা চখবদা ৱাকৎলোই চা কয়ানা ৱাকৎ ঈহৌ মনুংদা শিখ্রবশিংগী ফোটো অমদি ভেনিজুয়েলাগী ফিরালশিং পুদুনা থোমজিল্লকখি।

শম শেম্বগী থবক তৌবা অমান্দা ভালেরো হায়বী অমনা ফোঙদোকখিবদা অচুম্বা ৱায়েল লৈত্রিবমখৈ শান্তি লাকখিরোই হায়না ফোঙদোকখি।

# চাইনাদা খ্বাইদগী শাংবা রেল টন্নেল জিন জিয়াং রিজনদা লোইশিনখ্রে

*বৈজিং, মার্চ ১ঃ* চাইনাদা খা থংবা জিনজিয়াংগী কোরলাগা টুরপানগা শম্নহল্লিবা নাঞ্জিং রেলৱেগী অনিশুবা ত্রঙ্ক লাইন অমগী শরুক ওইবা খ্বাইদগী শাংবা রেলৱে টন্নেল অমা শেম শাবগী থবক মপুং ফানা লোইশিনখ্রে।

টন্নেল অসি চাইনাগী অৱাং নোংচুপ থংবা জিনজিয়াং ৱিগুর ওটোনোমস রিজনদা লৈবনি। কিলোমিটর ২২.৪৪৯ শাংবা ঝোংত্যানসান টন্নেলগী ওইথংবা শরুক অসি ঙরাং অয়ুক মপুং ফানা লোইখিবগা লোয়ননা জিনজিয়াংগী ওইনা খ্বাইদগী শাংবা অদুগা চাইনাগী ওইনদি খ্বাইদগী শাংমদা অহুমশুবা টন্নেলনি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

উরুংকি রেলৱে ব্যুরো (যু আর বি) অমদি চাইনা রেলৱে ১৮ ব্যুরো গ্রুপ কম্পেনি লিমিটেদ অনি পুন্না পায়খৎমিন্নবা টন্নেল অসি শেম শাবদা চহি ৭ লোম চংখি। মসিগী কিলোমিটর ২২.৪৬৭ শাংবা য়েৎথংবা শরুক্তি ইং ২০১৩ গী সেপ্তেম্বর থাদা লোইখিবনি। পুন্না কিলোমিটর ৩৩৩.৮৬৪ শাংবা টন্নেল অসি চহি অসিগী লোইরকপদা চৎনবা হৌবগী ওইথোকপা লৈরি।

টন্নেল অসিনা লম্বী অসি হান্না চৎনরম্বদগী কিলোমিটর ১২২ তেনশিলহল্লগনি হায়নসু ষ্টেটনা চলাইবা জিনহুৱা নিউজ এজেন্সিগী পাউ অমনা ফোঙদোকখি।

# মপাগী চহিগা অঙাংগী হেল্থ প্রোব্লেমগা মরী লৈনৈ



*স্কুল তম্লিবা অঙাংশিংগী হকশেলগী ওইবা অকাইবা অমদি প্রোব্লেম কয়ামরুমগা চহি থেংনা য়ুম পানবা মপাগী চহিগা মরী লৈনৈ হায়না ষ্টদি অমদগী খঙলে।*

*ওটিজম, এটেন্সন দিফিসিট হায়প্পরএক্টিভিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি), বাইপোলার দিসওর্দর, সিজোফ্রেনিয়া, স্যুসাইদ এব্যুজ অমদি স্যুসাইদ এটেম্পনচিংবা প্রোব্লেমশিংগা অঙাংগী মপাগী চহিগা মরী লৈনৈ হায়বসি ষ্টদি অদুদগী খঙবা ঙমখিবনি।*

*জে এ এম এ সাইকিয়াত্রিদা চপ্থখিবা ষ্টদি অসিদা মপাগী স্পার্ম ম্যুটেসননা মরম ওইদুনা প্রোব্লেমশিং অসি থোকহনবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। অদুম ওইনমক অখঙ অহৈশিংনা হায়বদা মপাগী চহি য়াম্বনা মরম ওইদুনা ফংগদবা কান্নবগা প্রোব্লেমশিং অসিগা য়েংনবদা কান্নবনদি হেল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।*

*যু এসকী ইন্দিয়ানা য়ুনিভর্সিটিদা চপ্থখিবা ইনভেষ্টিগেসন অমদসু সুইদেনগী কেরোলিন্সকা ইন্সটিট্যুটকী রিসার্চরশিংনা মপা অমত্তনা পোকপা চহি খেন্নবা মচিন মনাওশিংদা থোকপা প্রোব্লেমশিংগী খেন্নবা ফিভমশিং অদু মীকোক মিল্লিয়ন ২.৬ রোমগী রেকোর্দশিং য়েংদুনা চপ্থখি।*

*ষ্টদি অদুদা তোঙান তোঙানবা ইমুংশিংদা অঙাংগী চায়োক নাওয়োক খেন্নবগী ফিভমশিংসু য়েংশিনখি। চহি ২৪ গী লেং ওইবা মপাশিং অমদি চহি ৪৫ গী লেং ওইবা মপাশিংগী মচাশিং চাংদম্নদুনা য়েংবদা খঙলকখিবশিংদি অহল ওইবা মপাশিংগী অঙাংশিংনা এ দি ঐচ দি গী খুদোংথিবা শরুক ১৩ হেল্লি। সাইকোটিক দিসওর্দরগী খুদোংথিবনা শরুক অমা হেল্লি। অদুগা বাইপোল্লার দিসওর্দরনা শরুক ২৫ হেল্লি হায়বা খঙবা ঙমখি।*

*অদুবু পুন্না য়েংবদদি খুদোংথিবশিং অসিগী চাং য়াম্না নেম্না লৈ। ষ্টদি অসিদগী খঙবদা চহি থেংনা অঙাং পোকপনা অঙাংশিংগী সাইকিয়াত্রিক অমদি একাদেমিক প্রোব্লেমশিং হেনগৎহন্নবা মরম ওই। অদুবু মরুওইনা চহি থেংনা অঙাং পোকপগী ওইজবা নত্রগা মাংজবা অসি ইমুং মনুংশিং ডাক্তরশিং অমদি সোসাইটিশিংনা পুন্না খন্থদুনা য়েংমিন্নবা মথৌ তাই হায়বদু ষ্টদি অসিদগী খঙলে হায়না রিসার্চর ডাঃ ব্রায়ান দা ওনোফ্রিয়োনা ফোঙদোকখ্রে।*

# ইজরেল লান্মীনা গাজাদা নুপী অমা হাৎখ্রে



*গাজা, মার্চ ১ঃ* পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা চখোক চৎশিন তৌবা য়ারোই হায়না ইজরেলনা লাউথোকখ্রবা গাজা ষ্ট্রিপকী ঙমখৈ মনাক্তা ইজরেল লান্মীনা পেলেষ্টিনিয়ান নুপী অমবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না মফম অদুগী হোস্পিটাল ওফিসিয়েল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

গাজাদা লৈবশিংনা হায়বদা মখোয়নদি ৱাখলগী লায়না লৈবনি হায়না খঙবা মশাগী চহি ৫০ শুরবী আম্না কাদায়াবু হাৎপা মতমদা ইজরেল অমদি গাজাগী সিক্যুরিটি ফেন্সিং অদুগী মনাক্তা কয়াম নক্না থোকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা হংবদা ইজরেল্লি মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই নুপী অমনা হায়বদা ইরাই নুমিৎকী অহিং অথেংবদা মফম অদুৱাইদা চিংনবা মীওই কয়ামরুম চৎপা উবদগী মখোয়দা লান্মীশিংনা হন্দোকখিনবা খঙহনখি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু মখোয়না হন্দোক্তবদগী লান্মীশিংনা মখোঙদা নোংমৈনা কাপখি। মদুদা মী অমা নোংমৈনা পানখি হায়নসু ৱাঙাংলোই নুপী অসিনা ফোঙদোরকখি।

কাদায়াগী হকচাং অদু শিনা ফংলবা মতুংদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা হোস্পটাল অমদা পুশিনখি।

নিংশিংবা য়াবদি ইজরেল অমদি হমাজ হায়বা গাজাবু রুল তৌরিবা লুপ অসিনা ইং ২০১২ দা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পবগী য়ানবা অমা চহি ৮ চুপ্না লাল শোক্নরকপগী মতুংদা চৎনবা হৌখিবনি। য়ানবা অসিগী মতুংদগী ঙমখৈ লমদম অসি চাওনা য়েংবদা ইংনা চিক্না লৈরকখিবনি।

# পাকিস্টানদা পোলিও ৱার্করশিংগী এস্কোর্ট ১২ এম্বুস তৌদুনা হাৎখ্রে



*পেসৱার, মার্চ ১ঃ* পাকিস্টানগী অৱাং নোংচুপতা মথৌ তৌরিবা পোলিও ভেক্সিনেসন টিম অমবু এস্কোর্ট চৎপা সিক্যুরিটি মেম্বর ১২ ঙসি লম্বীগী নাকলদা ফুম্নম্বা বোম অমা পোকখাইহনবগা লোয়ননা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমদা ফোঙদোরক্লি।

খাইবরগী জামরুদ এরিয়াদা ওফিসিয়েল অমনা হায়খিবদা, এটেক অদু পুং ১ রোম চখরকখি হায়বগা লোয়ননা রেস্ক্যু তৌবা কাংবু অদুনা মফম অদু য়ৌরকপা ফাওবদসু নোংমৈ পায়বশিং অদুনা মখোয়দা এটেক তৌশিনখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অশোকপা ১২ রোমদি হোস্পিটালদা পুরকখি। খরনা লম্বীদা মতেং ঙাইরিঙৈদা শিখি হায়নসু খান ফরাজ হায়বা ওফিসিয়েল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

জহাঙ্গির অজম হায়বা অতোপ্পা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, শোক্লিবা শীরিবা পুম্নমক লেভি নত্রগা খাসাদার হায়বসিগী মেম্বর ঙাক্তনি হায়রি।

মখোয়না হেল্থ ৱার্করশিংবু ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌবনি। পনবা য়াবদি পাকিস্টানদা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিংনা গভর্নমেন্ট সিক্যুরিটি ফোর্স খক্তদা নত্তনা পোলিও ভেক্সিনেসন টিমশিংদসু তোয়না এটেক তৌই। য়ুনিসেফকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বগী মতুংইন্না ঙসিগী থৌদোক অসিনা মিলিটেন্টশিংনা কনাদা টার্গেট তৌরকপনো হায়বা শেংনা খঙবা ঙমদ্রে হায়খি।

লাইনিং লুচিংবা খরনা দোল্লর বিল্লিয়ন কয়ামরুম চংনা চখরিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মুস্লিম অঙাংশিংবু লোন্না ষ্টেরিলাইজ তৌনবা থৌরাং অমা নত্রগা স্পাইশিংবু লোৎশিন্নবা খোঙথাং অমনি হায়না ভেক্সিনেসন কেম্পেইন অসিবু মখোয়না কন্দেম তৌবনি। হৌজিক ফাওবদা মালেমদা পোলিও লায়না অসি লাইচৎ অমা ওইনা লৈরিবা অদুগা কেস মশিং হেনগৎলক্লিবা লৈবাক অহুমখক্কী মনুংদা পাকিস্টানসু অমা ওইবনি। তমথিখ্রবা লায়না অসিনা অঙাং অমবু পুং খরগী মনুংদা পংথহনবা নত্রগা শিহনবা ঙম্মী।

ঙসি থোকখিবা অতোপ্পা থৌদোক অমদনা নোংচুপ থংবা বেলুচিষ্টান প্রোভিন্সতা লম্বী নাকলদা ফুম্বা বোম অমনা সোরাবতা পেরামিলিটরি ফোর্স মেম্বর অহুম হাৎখ্রে। পেরামিলিটরি ফ্রন্টিয়ার কোরনা হায়বদা, মখোয়না গ্যাস পাইপ লাইনশিং বোমনা থুগাইরম্বা লালহৌবশিং থিনবা ওপরেসন অমা কন্না চংশিনবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

বোম ফুমদুনা মসিগী মেম্বর অহুম হাৎখিবা মতুং ইকান কান্নদনা ফোর্স অসিনসু ক্বেটাদগী খা নোংপোক্তা কিলোমিটর ৩০০ লোম চৎলগা লৈবা সুইদা মিলিটেন্ট ১০ হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# ওবামাগী রসিয়া খোঙচৎ তোকপা য়ানা লৈরি



*ৱাশিংটন, মার্চ ১ঃ* যুক্রেনগী লৈতাদবা ফিভম অসিদা রুসিয়ানা খুৎ চংশিল্লকপগী ফিভম অমা লৈরকপা অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদা পাঙথোক্কদবা মালেম থাক্কী মীফম অমা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌরিবা যু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামা রসিয়া খোঙচৎ তোকপা য়ানা লৈরি হায়না যু এস ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

রুসিয়ানা যুক্রেনগী মনুংগী ৱাফমদা খুৎ থিংজিনবদা অচৌবা অশোইবা অমা ওইগনি হায়না ওবামানা মমাংদা হেন্না কুপথবা ৱাফমদি পন্দনা ৱার্নিং তৌখিবনি। ঙরাং প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খিবদা, যুক্রেনগী সোভরেন্টি অমদি টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি ভাইওলেট তৌবগী থৌওং খুদিংমক্না কা হেন্না লৈতাদবা ফিভম অমা থোকহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

যুক্রেনগী মীয়ামনা লেপচগদবা খোঙথাংশিংদা রুসিয়ানা খুৎ থিংজিল্লবদি মদু তশেংনা অচৌবা অশোইবা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

যুক্রেনদা লান্মীশিং চংশিল্লকপগী পাউ লৈরে হায়বগা লোয়ননা চংশিল্লক্লিবা লান্মীশিং অসি যু এসনদি রুসিয়াগী ওইগনি হায়না চপ চানা চিংনৈ হায়রি।

যু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি চক হেগেলনা হায়বদসু থোইদোক্না চুনবা অমদি থৌদাং খংবা খোঙথাং অমদা ঐখোয়না যুক্রেন ৱাথোক অসি দিপ্লোমেটিক ওইবা থৌওং অমদা লোইশিন্নবা খল্লি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

যুক্রেন বোর্দর সার্ভিসনা হায়খিবা ৱাফম অমদনা রুসিয়াগী ট্রান্সপোর্ট ৮ রুসিয়াগা য়ানবা ক্রিমিয়া রিজনদা থুংলকখ্রে হায়বগা লোয়ননা প্লেনশিং অদুদা করি য়াওরকপগে খঙবা ঙমদে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

যুক্রেনিয়ান বোর্দর সার্ভিসকী ৱাঙাংলোই অসিনা হায়বদা, ইথা থাজদনা ১১–১৭ প্লেন খরা থুংলবগা লোয়ননা ক্রিমিয়ান রিজনগী এয়ার বেজ অমদা মথং মথং লেন্দিং তৌনবা পার্মিসন পীখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

যু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনসু মসিগী সিটিজনশিংবু কা হেন্না তঙাইফদবা মরমগী নত্রবদি যুক্রেনদা চত্তনবা খঙহনবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা য়াম্নমক লৈতাদবা ফিভম অমা লৈরে হায়না মীয়ামদা খঙহনখ্রে।

নিংশিংবা য়াবদি মমাং চহিদসু যু এসকী নেস্নেল সিক্যুরিটি এজেন্সি লিকর এদৱার্দ স্নোদেনবু চংজফম পী হায়বগীদমক ওবামানা প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগা উন্নগদবা থৌরম অমা কেন্সেল তৌখিবনি।


# Creative Circle
## POROMPAT

A special technical course for

# SECTION OFFICER's{S.O.}

| Civil = 119 Posts | Electrical = 127 Posts | IT = 36 Posts |
| --- | --- | --- |

Departments: PWD, PHED, POWER, MINOR IRRIGATION & IFCD of Manipur.

ONLY 30 STUDENTS PER BATCH......

Stream's Available: Civil, Electical & IT.

Timings: (6:30AM to 9:00 AM)

Class commencing from 10th March 2014.

Contact: POROMPAT, OPP. JNIMS GATE, ABOVE AXIS BANK, IMPHAL EAST. 85750 50815.

SI/C-28-29 March


